HUEIYEN LANPAO
Wednesday, July 25, 2018, Imphal


# রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোমেন্স উৎলি



ব্লাদিবোষ্টোক, জুলাই ২৪(এজেন্সী)ঃ রসিয়াগী সিটি ব্লাদিবোষ্টোক্তা পাঙথোকপা যু এস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট, ২০১৮দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী ফিভম অফবা মওংদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অজয় জয়ারামনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা কনাদাগী শান্নরোয় জিয়াওদোং শেংবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুভাঙ্কর দেগা লম্বা তৌনরগনি। থা অসিগী অহৌবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অজয় জয়ারামনা শরুক য়াখিবা হ্বাইট নাইটস ইন্টর্নেসনেল চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাদুনা ফজবা মওংদা রসিয়া ওপন টুর্নামেন্ট অসিগীদমক শেম শাদুনা লাকখিবনি।

ঙসি অঙ্ডনবদা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা কনাদাগী শান্নরোয় জিয়াওদোং শেংগা লম্বা তৌরকপদা অহানবা গেম অদু য়াম্না প্রেসর ফংদনা পোইন্ট ২১-১১দা থোইখি। গেম অমা মাংজিল থারবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় জয়ারামনা অনীশুবা গেম অদুদা অহেনবা মশান্না উত্তুনা পোইন্ট ২১-৮দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দগীদমক শেম শাখিবনি।

অজয় জয়ারামনা অনীশুবা রাউন্দদা শান্নগদৌরিবা শান্নরোয় অদু ইন্দিয়া সুভানকর দেনি। সুভানকরনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুগী লম্বা অদু লাকখিদবদগী বাই ফংদুনা লাকখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রটুল জোসিনা কনাদাগী শান্নরোয় জেফ্রি লামবু ২১-১১, ২১-৮দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইজরেলগী শান্নরোয় মিসা জিলবরমেনগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা নুপাগী অহানবা রাউন্দদা মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি মিথুন মঞ্জুনাথ, সিদার্থ প্রতাপ সিংহ অমসুং রাহুল যাদব সিতাবোনিয়ানি।

মিথুননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী ইলিয়াস ব্রেকিবু ২১-১৪, ২১-১৩দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা সিদার্থনা মলেসিয়াগী শান্নরোয় জিয়া ৱৈ টানবু ২১-১৭, ২১-১৬তা থোইরমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রাহুল যাদবনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রসিয়াগী শান্নরোয় মাকসিম মকালোবপু ২১-১১, ২১-১০দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রাহুলনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা সৌরব ভর্ম্মাগা লম্বা তৌনগদৌরি। অমরোমদা সিদার্থনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বোদিট জোসিগা থেংনগদৌরি।

রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপ অমসুং আর এম ভি গুরুসাইদথ অহানবা রাউন্দা বাই ফংদুনা অনীশুহা রাউন্দদা মথংশিংনা জপানগী রোটারো মারুও অমসুং রসিয়াগী শান্নরোয় ব্লাদিমির মালকোবকা শান্নগদৌরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় চিরাগ সেনসু অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী শান্নরোয় পাবো অবিয়ানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা নুপীগী অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাস, ভাইদেহি চৌধুরি, সাই উটেজিথা রাও চুক্কা, ভ্রুসালি গুমাদি অমসুং মুগধা অগ্রেনি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অরুন জোর্জ অমসুং মহাক্কী পেয়র সনয়াম সুকলা হয়েং অহানবা রাউন্দগী মেচ শান্নগদৌরি। মখোয় অনীনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রসিয়াগী ব্লাদিমির নিকুলোব অমসুং অর্টেম সর্পিওনোবকা লম্বা তৌনগদৌরি।


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লালিগা ৱর্ল্ড টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব মেলবোর্ন সিটি এফ সীনা ৬-০ দা থোইখ্রে



কোচি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী কেরলাদা লৈবা কোচিদা ঙসি শান্নবা হৌখিবা লালিগা ৱর্ল্ড টুর্নামেন্টতা য়ূম্বু ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্স ফুটবোল ক্লবপু ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সিটি ফুটবোল ক্লবনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা য়ূম্বু ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সিটি এফ সী অমসুং স্পেনগী মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা জিরোনা এফ সীগা ফ্রেন্দলি টুর্নামেন্ট অসি শান্নবনি। কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীদা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী গোলকিপ্পরশিংগী মনুংদা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা অদুদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা মণিপুর মচা মোইরাংথেম ধিরজনা গোলকিপ্পর ওইখি।

মেচ অদু হৌরকপদগী হৌনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সিটি ফুটবোল ক্লবনা এটেক হেন্না চথুরকখি। অহৌবা মিনিট ১৫ গী মনুংদা মেলবোর্ন সিটি এফ সীনা চথুরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা শান্নবগী ১১ শুবা মিনিটতা মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী কাসেরাজনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী গোল তম্না সোট অমা পাঞ্জল ওইনবা কাওশিল্লকখি। মদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী অনৌবা গোলকিপ্পর ওইরিবা মোইরাংথেম ধিরজনা কনবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপা ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অদুনা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী দিফেন্দরশিং অমদি গোলকিপ্পর ধিরজনা পাঞ্জল ওইহন্দনা লৈবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপদা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী মেগ্রি অমসুং বিদোসিকনা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু মাংজিল থারগা লৈখি। মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। কোচিগী ষ্টেদিয়ম অদুদা নোংসু কন্না তারকখি। শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সতা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা সেনমিনলেন দোঙ্গেলনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা অমা টিমমেটশিংনা খায়রকপদগী ফংখি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী বোল অদু কাওশিন্নবগী শেম-শাবা অদু মপুং ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওইরমগদবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ৫০ শুবা মিনিটতা মখা তানা এটেক চথুরকখিবা মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী কাওশিল্লকপা সোট অমা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপ্পর ধিরজনা ঙাকথোকখি। মদুদগী থক্তোকখিবা বোল অদু মেলবোর্নগী শান্নরোয় লাক্লান ৱেলসনা পাঞ্জল অমা ওইহন্দুনা স্কোর বোর্দতা ৩-০ দা মখোয়না কেরলা ব্লাষ্টর্সপু হেন্দুনা লৈখি।

মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদগী প্রসান্তনা টিম অদুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা মহাক্না য়াম্না ফজবা ওই থংবা কিক অমনা বোল অদু মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী গোল পোষ্ট তম্না য়ৌশিল্লকপদা মখোয়গী গোলকিপ্পর অদুনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা ঙাকথোকপা ঙমখি। শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনিটতা মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী মেগ্রিনা মহাক্কী টিমমেটনা পীখৎলকপা বোল অমা নীংথিনা কলেক্ট তৌরবা মতুং কেরলা ব্লাষ্টর্সকী দিফেন্দর অনী থৈদোক্তুনা লৈরগা কাওশিনখিবা সোট অদুনা য়াম্না খোঙলৈ থুখিবা মরম্না গোলকিপ্পর মোইরাংথেম ধিরজ উপাই লৈতনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদনা মরিশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা মখা তানা এটেক চথবা লেপখিদবা মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী থংন-থংননা কাওশিল্লকখিবা শাফু কল্লবা সোট অহুম কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী নহা ওইরিবা মোইরাংথেম ধিরজনা ৩ মক ঙাকথোকপা ঙমখি। শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদা নজারিনেনা দিফেন্দরগী পরেং অদু লাম্থোক্তুনা পুশিল্লগা গোলকিপ্পর ধিরজ মায়থীবা পীদুনা মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ইকান কান্নদনা মেচ অদুগী মায়কৈ খুদিংমক্তা অহেনবা লৈখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা ফোরনারোলিনা ফংখিবা বোল অমা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী দিফেন্দরশিংবু লায়না লাম্থোক্লবা মতুং টিম অদুগী ৬ শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনিট ১৫ রোম অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হনে দাক্লবা হোৎনবগী মহুৎ মখোয়দা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনবা দিফেন্সিভ ওইবা মওংদা শান্নখি। করিগুম্বা ঙসিগী মেচ অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী গোলকিপ্পর মোইরাংথেম ধিরজনা ঙাকথোকখিবা তাঞ্জাশিং অদু থারমদ্রবদি টিম অদুবু মেলবোর্ন সিটি এফ সীনা পাঞ্জল ১০ গী মথক্তা চল্লম্বা য়াবনি।

# অসাম রাইফলসকী 'ফ্রেন্দসিপ থ্রু স্পোর্টস' কী মনুংদা ভোলিবোল মেচ শান্নখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ অসাম রাইফলসকী মিসন অমা ওইরিবা 'ফ্রেন্দসিপ থ্রু স্পোর্টস' কী মখাদা মনুং হুৎচিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা চঙশিন্দুনা অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা সোমসাই বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা অৱাং কসোমদা ইন্টর ভিলেজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না মারেম খুল্লেন, অৱাং কসোম, পোই, চিংঙাই, কালহাং, নুংবী খুল্লেন, লুইরৈ সিম্ফোং অমসুং অৱাং কসোম অসাম রাইফলস কম্পেনিগী টিম য়াওরগা পূন্না টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোকখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচ অদু থা অসিগী ২০ দা অৱাং কসোম অসাম রাইফলস কম্পেনিগা পোই ভিলেজগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনখি। ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অদু চীংগী মনুং হুৎচিন্না লৈবা মফম অদুদা পাঙথোক্তুনা শান্নবগী ইথিল অমদি শান্নবদা মায় ওনশিন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিনখিবনি।

ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অদুদা নত্তনা অসাম রাইফলসকী কম্পেনি অদুনা মফম অদুদা হকশেলগী ওইবা মতেংসু বট্টালিয়ন অদুগী মেদিকেল টিমনা পীখি। মফম অদুগী মীওই কয়ানা মপুং ফানা ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়াবা অমসুং মীৎয়েং তাবা লাকখি। লোয়নন্না ইন্দিয়াগী ওইনা অৱাং নোংপোক লমদম অসিনা শান্নবগী পাৱর হাউসনি হায়বা অদু ময়েক শেংহন্নবগী খোঙথাং পায়খৎপদা চাওনা মতেং পীরি।

# সুন্দর সিংহ গুজরনা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী পেরা এথলেট সুন্দর সিংহ গুজরনা এফ-৪৬ কেটিগরিদা জেভলিন থ্রো ইভেন্ট অমদা মিটর ৬৪.১১ লংদুনা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক্সকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখ্রে।

মশাগী চহী ২০ শুবদা ঙাইরিবা সুন্দর সিংহ গুজরনা কুমজা ২০১৫ দা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অমগী মতুংদা মশামক্কী মপুন্সি মাঙহঞ্জনবা অনীরক হোৎনখ্রবা মতুং শান্নবগী লমদা মায় ওনশিন্দুনা অনৌবা পুন্সি মরেল অমদা খোঙদারকখিবনি।


২০১৬ পেরালিম্পিক্সতা মহাক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবসু কুমজা ২০১৭ তা মহাক্কী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ফজরকপদগী পেরালিম্পিক্সকী জেভলিন থ্রোদা মহাক্কী মমিং লৈবা হৌরকখিবনি।

বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকপা পি সী আই ইন্দিয়ন ওপন পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নসিপতা সুন্দর সিংহ গুজরনা এফ-৪৬ কী জেভলিন থ্রো ইভেন্ট অদুদা মিটর ৬৪.১১ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবতা নত্তনা মমাঙদা অতোপ্পা পেরা এথলেট দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা থল্লম্বা মিটর ৬৩.৯৭ কী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখি।

অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা সুন্দর সিংহ গুজরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক্সকী-দমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবসু হৌজিক মহাক্না চথুরক্লিবা ট্রেনিং অমদি শরুক য়ারিবা কম্পিটিসনশিংদা অহেনবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লকপা অসিনা মহাক্কী তুংগী ওইবা শান্নবগী করিয়রদা অহেনবা কয়া পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ওইখি।

কুমজা ২০১৭ তা দুবাইদা পাঙথোকখিবা আই পি সী ইন্টর্নেসনল এথলেটিক্স গ্রান্দ প্রিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ৫ ফংদুনা লাকখিবা অদুদা সুন্দর সিংহ গুজরগীসু মেদল অহুম য়াওখি।

# ধোনিনা টেক্সতা লুপা ক্রোর ১২.১৭ পীদুনা ঝরখন্দ ষ্টেটকী খ্বাইদগী য়াম্না টেক্স থীবা ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ কুমজা ২০১৭-১৮ গী ওইনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্টেন ওইরম্লবা হৌজিক হৌজিকসু শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ইনকম টেক্স ওইনা লুপা ক্রোর ১২.১৭ পীদুনা ঝরখন্দ ষ্টেটকী ওইনা খ্বাইদগী টেক্স থীবা মীওই অদু ওইখ্রে।


ক্রিকেট মশান্নদা য়াম্না মমিং লৈরবা শান্নরোয় লোয়ননা মীয়াম্নসু য়াম্না পাম্নবা অমা ওইরিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ঝরখন্দ ষ্টেট পূম্বগী ওইনা ইনকম টেক্স থীবদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না থীবা মীওই অদু ওইখিবনি। থাজবা য়াবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোকপদা লাক্কদৌরিবা ফাইনান্সিয়ল য়রগী ওইনসু মহাক্না ইনকম টেক্সতসু এদভান্স ওইনা লুপা ক্রোর ৩ থীরগনি হায়খি।

চীফ ইনকম টেক্স কম্মিস্নর ওইরিবা ভি মহালিঙ্গমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬-১৭ কী ফাইনান্সিয়ল য়রদা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ইনকম টেক্সতা চহীগী ওইবা লুপা ক্রোর ১০.৯৩ পীখি। মতম অদুদা মহাক্না ঝরখন্দ ষ্টেটকী ওইনদি ইনকম টেক্স থীবদা খ্বাইদগী শেল য়াম্বা মীওই অদু ওইখিদবনি। অদুবু হন্দক্কী ফাইনান্সিয়ল য়র অসিদা লুপা ক্রোর ১২.১৭ পীদুনা ঝরখন্দ ষ্টেটকী ওইনা ইনকম টেক্স থীবদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না থীবা মীওই অদু ওইখিবনি।

ইংলেন্দদা চথখিবা ৱান ডে ক্রিকেট সেরিজদা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা হায়রিবা ক্রিকেট ফোর্মেট অদুদা রন ১০,০০০ য়ৌদুনা অমতা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইখি। হায়রিবা রন মশীং অদু লৌবা মতমদা ধোনিনা এভরেজদা রন ৫০ হেন্না লৌবা ঙমখি।

ৱান ডেদা রন ১০,০০০ য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মনুংদা সচিন তেন্দুলকর অমসুং সৌরভ গাঙ্গুলিগী মতুংদা খ্বাইদগী য়াঙ্না রন অদু লৌবা ওম্বা ওইরি। হন্দক এম এস ধোনিগী মতাংদা সোসল মীদিয়াদা মহাক ইন্টর্নেসনল ক্রিকেটতগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোক্লরকখিবা অদু অরানবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্ল রকপা অদুগী মথক্তা ইন্দিয়াগী হান্না কেপ্টেন ওইনা শরুক য়ারম্বা অদুগা কোচকী থৌদাংসু লৌরিবা রবি শাস্ত্রিনা ৱাফম অদু অরানবনি, এম এস ধোনি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা অদুমক য়াওখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# সুনিল ছেত্রি বেঙ্গালুরু এফ সীদা কুমজা ২০২১ ফাওবা শান্নরগনি



বেঙ্গালুরু, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সীগীসু কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা ক্লব অদুগা অনৌবা খূৎয়েক পীনদুনা কুমজা ২০২১ ফাওবা ক্লব অদুদা শান্নরগনি হায়রি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কুমজা ২০১৭ কী খ্বাইদগী ফজবা নুপাগী শান্নরোয়নি হায়না লাউথোকখ্রবা সুনিল ছেত্রিবু জে এস দব্লিয়ু গ্রুপনা মপু ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা চহী ৩৩ শুরবা সুনিল ছেত্রি চৎলিবা সীজন অসিগী মখা তাবা সীজন অহুম ক্লব অসিগী শান্নরোয় অমা ওইনা শান্নরগনি হায়রি।

বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী সুনিল ছেত্রিনা মেচ ১৪৪ শান্নরকপদা পাঞ্জল ৭১ চন্দুনা ক্লব অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইরি। ক্লব অসিনা ওগষ্ট ২২ অমসুং ২৯ দা এ এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল মেচ অদু টুর্কমেনিষ্টানগী অলটিন এসর এফ কেগা শান্নগদৌরিবা অদুগীদমক শেম-শাবা ওইনা স্পেনদা প্রী সীজন কেম্প অমা শরুক য়াননবা ছেত্রি অমসুং মহাক্কী টিমনা শেম-শারি হায়রি।


# মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী চহীগী মীফম পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী চহীগী ওইবা মীফম অমা ওগষ্ট ৫ দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ওলিম্পিক শঙলেন্দা অয়ুক্কী পুং ৯ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল সুনিল এলাংবমনা প্রেসতা ঙসি থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। হায়রিবা মীফম অসিদা এসোসিএসন অসিগী অনৌবা ওফিস বিয়ররশিং অমসুং একজিক্যুটিব কাউন্সিল মেম্বরশিং খনবগী থবক অদুসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌরবা ষ্টেট স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগী মীহুৎশিংনা থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মীফম অসি য়াওননবগীদমক মখোয় মখোয়গী মমিং চুমথোকপা অমসুং য়াওরব্রা হায়বদু য়েংনবগীদমক লাক্নবা খঙহল্লক্লি।

# ফিফাগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মমিং খনগৎপদা রোনাল্ডো, মাপে অমসুং মেসি য়াওখ্রে







পেরিস, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ হন্দক্তা রসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা য়াম্না মায় পাকপা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রবা মতুং মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লুপ ওইরিবা ফিফানা কুমজা ২০১৭-১৮ গী সীজনগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নরোয়গী মনা পীননবা খনগৎপদা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো, কিলিয়ন মাপে অমসুং লিওনেল মেসি য়াওখ্রে।

মখোয় অহুমদা নত্তনা ফিফানা খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নরোয়গী মমিং খনগৎপদা ক্রোসিয়াগী কেপ্টেন ওইখিবা লুকা মোদ্রিচ অমসুং ফ্রান্সকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় এনটোইন গ্রিজমেনগী মমিংসু য়াওখি। ফিফানা শান্নরোয়খক্তা নত্তনা কোচকী খ্বাইদগী ফজবা মনা পীননবা মমিং খরসু খনগৎখি। মদুদা ফিফা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইখিবা ফ্রান্স টিমবু লুচিংখিবা দিদিয়র দেসকেম্পস অমদি স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিএল মেদ্রিদকী কোচ ওইরিবা জিনেদাইন জিদেনগী মমিংসু য়াওখি। য়াম্না থাজদবা মওংদা ব্রাজিলগী শান্নরোয় নেমারগী মমিং খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়শিংগী মমিং খনগৎপদা য়াওখিদে।